
# য়ু এস ওপনগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ফাইনেলদা নম্বর ৱান নদাল অমসুং নম্বর টু ফেদরর থেংনরবা য়ারি

ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী) ঃ চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস টেন্নিস টুর্নামেন্টকী পুৱারীগী ফাইনেলদা অহানবা ওইনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং নম্বর টু ওইরিবা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদরর থেংনবা য়ানা লৈরি।

য়ু এস ওপনগী পুৱারীদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না টাইটল লৌবা ঙম্লিবা নুপাগী শান্নরোয় অদু টাইটল মঙারক লৌখ্রবা রোজর ফেদরর, মমাঙদা শান্নরম্বা য়ু এস এগী শান্নরোয় অনী জিমি কোনোর্স অমসুং পিট সেম্প্রাসনি। অদুগা নুপা অমসুং নুপী পূনশিল্লগা খ্বাইদগী য়াম্বা টাইটল তরুক লৌবা নুপীগী সেরিনা ৱিল্লিয়মস অমসুং খৃস এবর্টনি।

নদাল অমসুং ফেদররনা মখোয় অনীগী মরক্তা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ৩৭ লৌবা ঙমখ্রবনি। কুমজা ২০০৪ দগী হৌরগা মকোক থোংবা শান্নরোয় অনীগী লম্বা অসি হৌরকখিবনি। মখোয় অনীগী করিয়রদা মেচ ৩৮ লক লম্বা তৌনবা ঙমখি। মদুদা রাফেল নদালনা মেচ ২৩-১৫ দা হেন্দুনা লৈরি। মদুগী মনুংদা গ্রান্দ স্লামগী ওইনা লম্বা তৌনবদা নদালনা মেচ ৯-৩ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরি। ৩৮ লক থেংনখিবা লম্বা অদুনা মেচ ১২ অমদি গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদনি। অদুবু ঙসি অথেংবদগী হৌখিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদদি মখোয় অনী অমুক ফাওবা থেংনদ্রি।

মখোয় অনীনা য়ু এস ওপনগী ফাইনেলদা থেংনদবগী মরম অসি রেঙ্কিং খেন্নবননি। হন্দক্কী অসিদি নদালনা নম্বর ৱান সীদেদ ওইরি অদুগা ফেদররনা নম্বর টু সীদেদ ওইরিবনি। য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অপূনবা শেলগী মনা অসি য়ু এস দোলর মিলিয়ন ৫৩ নি। মদুগী মনুংদা নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফংগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুনা শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোলর মিলিয়ন ৩.৮/৩.৮ ফংনগনি। লোয়ননা সিঙ্গলসকীদা ফাইনেল য়ৌরকপা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় অদুগী ওইনা য়ু এস দোলর ১,৮৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈরি।

সেমি ফাইনেল য়ৌবা শান্নরোয়-শিংনা য়ু এস দোলর ৯২৫,০০০ গী শেলগী মনা ফংগনি। অদুগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপা শান্নরোয় অদুনা য়ু এস দোলর ৪৭৫,০০০ গী শেলগী মনা ফংগদৌরি। য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবী য়ু এস এগী সেরিনা ৱিল্লিয়মসনা মমাঙগী চহীদা মহাক্কী মচানুপী উনবগা মরী লৈননা শরুক য়াখিদ্রবসু হন্দক্কী সীজনদা শান্নবা হৌরকখি। মদুদা লন্দনদা পাঙথোকপা ৱিম্বলদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা রন্নর্স অপ তাহৌখি। মশাগী চহী ৩৬ শুরবী অসিনা করিগুম্বা হন্দক্কী য়ু এস ওপন সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙম্লবদি মহাক্না ওপন ইরাদা য়ু এস ওপন টাইটল তরেৎলক ফংদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা টাইটল লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইগদৌরি। অদুগা করিয়রগী অপূনবা গ্রান্দ স্লাম টাইটলগী ওইনসু মারগরেট কোর্টনা হায়না লৌরম্বা টাইটল ২৪ গা মান্নবা ঙমগদৌরি।

মহাক্কী মচে ভেনস ৱিল্লিয়মসু টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারি। মহাকসু মশাগী করিয়রগী ৮০ রক শুবা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট শরুক য়াবা ঙমদুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ওপন ইরাদা শান্নরোয় অমনা মশীং খ্বাইদগী য়াম্না গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট শান্নবা ঙম্বা অদু ওইগদৌরি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৭

১। মণিপুর টাউন ক্লব ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী মমীং চৎপা হোকি অমসুং ফুটবোল শান্নবদা মকোক ওইখিবা ক্লবনি। ক্লব অসি লীংখৎখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা নুপা অদু কনানো?

২। মহাক বেলারুসকী নেসনল লেজিষ্টলেচর ওইদ্রিঙৈদা ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ওজা ওইরম্মী। মহাক ওলেম্পিক অমদা সনাগী মেদল অহুম ফংখি। মহাক কনানো?

৩। মহাক এসিয়ন গেমসতা ফুটবোল শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারুবদা মেচ অনীখক্তং শান্নবা ফংখি। ফাইনেল শান্নবদা য়াওবা ফংখিদে। হন্দক্তা পাউমী অমদা মহাক্না হায়খিবদি "ঐনা ফাইনেল শান্নবদা শরুক য়াবা ফংদ্রবসু মদুনা (এসিয়ন গেমসতা শরুক য়ারুবা) ঐগী খ্বাইদগী চাউবা মীৎকুপ অমনি অমসুং ঐগী নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতে"। সনাগী মেদল ফংখিবা শান্নরোয় ১৬কী মনুংদা অমা ওইখিবা খা থংবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। মহাক ইরাক্কী মহুৎ শিন্দুনা মেক্সিকো ওলেম্পিক্কী সাইকল লমজেলদা শরুক য়ারুবদা পোজিসন অমত্তা ফংখিদে। মহাক্না অমেরিকাদা মীতোপ (অতোপ্পা লৈবাক্কী মী) ১০০০ হেন্না আইনগী ৱাংমদা লোন্না পুশিনবগী (Immigrant Smuggling) ফাদুনা চহী ১৩ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি। সাইকল থৌবা অদুগী মমিং হায়য়ু।




৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# সিনকেফিল্ড কপ চেছ টুর্নামেন্টতা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর ফাবিয়ানো করোনানা রাউন্দ নিপান লোইশিল্লকপদা মকোক থোংদুনা লৈরি



সেন্ট লুই, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী) ঃ য়ু এস এগী মিজোরি ষ্টেটতা লৈবা সেন্ট লুইদা পাঙথোকপা গ্রান্দ চেছ টুরগী মনুং চনবা সিনকেফিল্ড কপ চেছ টুর্নামেন্টকী ঙরাং নিপানশুবা রাউন্দ লোইশিনখিবদা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর ফাবিয়ানো করোনানা পোইন্ট ৫ ফংদুনা মাঙজিল থাদুনা লৈবা মরম্না ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা ৯ শুবা অমসুং অরোইবা রাউন্দদা টাইটল ফংবা য়াবগী অচৌবা লম্বেল অমা লৈখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা নিপানশুবা রাউন্দ অদুদা ফাবিয়ানো করোনানা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর মমাঙদা ৱর্ল্ড টাইটল মঙারক লৌবা ঙম্লম্লবা বিস্বানাথন অনন্দগা লম্বা তৌনখি। করোনানা অঙৌবা মচু পায়দুনা অনন্দগী মায়োক্তা এটেক চত্থরকপদা হৌরকপদা খরা খুদোংচাবা ফংলম্লবসু থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদবদগী অনন্দগী দিফেন্স অদুনা হেঞ্জিল্লক্তুনা মহাক্না মায় পাকপা য়াবগী লম্বেল উদদুনা শান্নরোয় অনীমক পোইন্ট য়েন্নখি। ০.৫ ফংখিবা অদুনা ফাবিয়ানো করোনানা পূন্না পোইন্ট ৫ ফংলগা অতোপ্পা শান্নরোয় ৪ দগী পোইন্ট মখায় অমা হেল্লগা মকোক থোংদুনা লৈরিবনি।

ঙরাংগী নিপানশুবা রাউন্দ অদুদা শান্নখিবা মেচ মঙামক অমনা অমবু মায় পাকপা ঙম্নদবদগী পোইন্ট য়েন্নখিবা ঙাক্তনি। ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা দেনমার্ককী মেগনস কার্লসননা অজরবৈজানগী গ্রান্দমাষ্টর সাখ্রিয়ার মামেদয়ারোবকা শান্নবদা অমুবা মচু পায়দুনা দিফেন্স শান্নখি। মামেদয়ারোবকী মায়কৈদগী কার্লসনগী মায়োক্তা এটেক হান্না চত্থবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংলবসু কার্লসনগী খোঙফমশিং অদু পাঙ্গল লৈবা মফমশিংদা থমদুনা মখোয় অনীসু দ্রো চৎপদা য়ানখি।

রসিয়াগী অলেকজেন্দর গ্রিচুক অমসুং য়ু এস এগী ৱেসলি সো লম্বা তৌনখি। গ্রিচুকসু পোইন্ট ৪ ফংদুনা নিপানশুবা রাউন্দ অদু শান্নরকপনি। ৱেসলি সোবু মায়থীবা পীরগা মপুং ফাবা পোইন্ট ফংনবা হোৎনখিবা অদু মহাক্কী মায়কৈদগী পোন অমা মরম চাদনা মাঙজখিবদগী ৱেসলি সোনা খুদোংচাবা হেল্লক্তুনা দ্রো চৎনবগী লম্বেলদা শান্নরদুনা মখোয় অনীমক পোইন্ট য়েন্নবদা য়ানখি। টুর্নামেন্ট অসিগী খ্বাইদগী মমৈদা লৈরিবা শান্নরোয় অনী রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর সর্গে করজাকিন অমসুং য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নাকামুরা লম্বা তৌনখি। নাকামুরা রাউন্দ তরেৎ লোইখিবদা পোইন্ট ২.৫ ফংখিবনি। অদুগা সর্গে করজাকিননা চপ মান্নবা রাউন্দ মশীংদা পোইন্ট ২ ফংদুনা মমৈদা লৈরিবনি। মখোয় অনীগী পোইন্ট অদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী মকোক থোংবা য়াবগী লম্বেল লৈতবা মরম্না গেম অদু য়াম্না ঙন্না লোইশিন্নদুনা দ্রো চৎপদা য়ানখিবনি।

পনবা য়াবদি, হিকারু নাকামুরানা টুর্নামেন্ট অসিগী মাঙওইননা সিটি অদুমক্তুদা পাঙথোকখিবা সেন্ট লুই রেপিদ এন্দ ব্লিটজ টুর্নামেন্টতা মহাক্না টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। অদুবু ক্লাসিকেল ফোর্মেট অসিদা শান্নরকপদা মহাক্কী মায়কৈদগী মায়োক্লবা লম্বাশিং অদুবু লাকশিনবা ঙম্বা মওংদা রাউন্দ নিপান লোইশিনখিবা ফাওবদা লৈখিদবদগী পোইন্ট মখায় মখায় করজাকিনগা য়েন্নখি।

ইন্দিয়াগী বিস্বানাথন অনন্দগা পোইন্ট মান্ননা লৈরিবা ফ্রান্সকী শান্নরোয় মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেবনা নিপানশুবা রাউন্দ অদুদা অরমেনিয়াগী লেবোন অরোনিয়নগা শান্নখি। লাগ্রেবনা অঙৌবা মচু পায়রবসু অরোনিয়নগী মায়কৈদগী অকনবা দিফেন্স চত্থরক্তুনা মখোয় অনীসু দ্রো চৎপদা য়ানখি। ঙসি অথেংবদা অরোইবা রাউন্দ শান্নগদৌরি। মদুদা লীদর করোনানা ৱেসলি সোগা থেংনগনি। করোনানা টাইটল অসি ফংননবা হোরেনগী মেচ অদুদা মায়থীবা য়াদে। অমরোমদা পোইন্ট ৪ ফংলগা লৈরিবা শান্নরোয় ৪ না মায় পাক্লবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

# পাকিষ্টানগী ইরফাননা টি-২০ ক্রিকেটকী বোলিংগী অনৌবা রেকোর্দ থমখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী) ঃ ক্রিকেট মশান্নগী খ্বাইদগী তেনবা ফোর্মেট ওইরিবা টি-২০ গী পুৱারীদা পাকিষ্টানগী ফাষ্ট বোলর মোহম্মদ ইরফাননা অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখ্রে।


টি-২০ ক্রিকেটকী চৎন-কাঙলোনগী মতুং ইন্না বোলর অমনা য়াল্লবদা ওভর ৪ দগী হেন্না লংবা য়াদে। মদুগী মনুংদা বোলরশিংনা কন্না পাল্লিবদি রন য়াম্না পীদবা অমদি ৱিকেট য়াম্না লৌবা অদুনি। থাংজ নুমিৎতা কেরিবিয়ন প্রীমিয়র লীগ টুর্নামেন্টতা বার্বেদোস ট্রাইদেন্টসকী মায়কৈদগী শরুক য়াদুনা লম্বা ওইখিবা সেন্ট কিটস এন্দ নেভিস পেট্রিয়টসকা শান্নবদা ওভর ৪ লংবদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদবা ওভর ৩ য়াওরগা বেটসমেন অনী আউট তাহল্লবা মতুং রন অমখক পীবদগী খ্বাইদগী ইকোনোমিকেল ওইবা বোলরগী রেকোর্দ অদু মহাক্না থুগায়বা ঙমখিবনি।

ফট ৭ কা ইঞ্চি অমগী মরেপ ৱাংবা মোহম্মদ ইরফাননা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়োক্লবা টিমদা শরুক য়ারিবা টি-২০ গী বেটসমেনশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা খৃস গেল অমসুং ইভিন লেৱিস আউট তাহনবা ঙমখি। হায়রিবা মেচ অদু মোহম্মদ ইরফানগী টিম বার্বোদোস ট্রাইদেন্টসনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা রন ১৪৭ লৌখিবনি। অদুবু সেন্ট কিটস এন্দ নেভিস পেট্রিয়টসনা ৱিকেট ৪ খক আউট ওইরগা ওভর ১ গা বোল ১ লংগদবা ৱাৎলিঙৈ মেচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৬ তা থোইখি।

মোহম্মদ ইরফাননা ফোঙদোরকপদা মহাক্কী টিমনা হায়রিবা মেচ অদু মায় পাক্লম্লবদি হেন্না নুংঙাইরমগদবনি। অদুবু টি-২০ ফোর্মেটতা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী ইকোনো-মিকেল ওইবা স্পেল অমা লংবা ঙমখিবা অদুদা হরাওবা ফাওই। মাগী মরেপ অৱাংবা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা বোল লংবদা অহেনবা কান্নবা ফংলি।

# বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী মার্কো রিয়ুসনা বুন্দেসলিগাগী অহানবা মেচতা মহাক্কী ১০০ শুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখ্রে

বর্লিন, ওগষ্ট ২৭(এজেন্সী)ঃ জর্মনিগী মকোক থোংবা লিগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা বুন্দেসলিগাগী ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী টিম অদুনা লৈপজিগপু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখিবা মেচ অদুদা ৪শুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা মার্কো রিয়ুসনা মহাক্কী করিয়রদা দোর্টমুন্দ ওইনা শান্নদুনা ১০০রকশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখ্রে।



নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌখিবা বুন্দেসলিগাগী মেচ অমদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দ অমসুং লৈপজিগকা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী হেক হৌরকপা অহানবা মিনটতা লৈপজিগকী শান্নরোয় জে ওগষ্টিননা য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল অমা চন্দুনা রোরুসিয়া দোর্টমুন্দবু মাঙজিল থাদুনা লৈখি। দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা অদু মিনট ২০ হেন্না শান্নরক্লবা মতুং হন্দোকপা ঙমখি। টিম অদুগী শান্নরোয় এম দাহুদনা ২১শুবা মিনটতা ইক্বোলাইজর অদু চনখি।

অহানবা হাফ লোয়গদবা মিনট ৫ খক ঙাইরবা মতমদা বোরুসিয়া দোটমুন্দনা পুশিনখিবা এটেক অমদা বোল অদু ঙাকথোক্লবা হোৎনরকপদা লৈপজিগকী দিফেন্দর এম সাবিটজরনা শোয়বদগী চনশিনখিদুনা অহানবা হাফ অদু লোয়দ্রিঙৈদা দোর্টমুন্দনা ২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী অতোপ্পা শান্নরোয় এ ৱিটসেলনা মিনট ৩ লৈরগা মহাক্কী টিমগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা হাফ অদু বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা লৈপজিকপু পাঞ্জল ৩-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা লৈপজিক্কী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা শোত্থরিবা পাঞ্জল ৩ অদু হন্দোক্লবা শান্নরকখি। অদুবু দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী দিফেন্স লাইন অদুবু মপাঙ্গল য়াম্না লৈহন্দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকহন্দনা থম্বা ঙমখি। শান্নবা লোয়গদবী মতম লৈশিল্লক্তুরবদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী চত্থরকখিবা এটেক্ট অমদা মারকস রিয়ুসনা ৯০শুবা মিনট্টা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেচ অদু মখোয়না লৈপজিগপু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

লিগ টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী সিজনগী চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিক য়াওনা বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাবাগ, এন্ত্রাক ফ্রাঙ্কফর্ট, ওগসবর্গ, ৱোল্ফসবর্গ, মেঞ্জ ০৫ অমসুং হর্থ বর্লিন মখোয়-মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেচশিং মায়পাক্তুনা পোইন্ট ৩/৩ ফংমিন্নরি।


বুন্দেসলিগাগী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা মেঞ্জ ০৫ ফুটবোল ক্লবনা ভি এফ বি ষ্টুটগার্দপু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। মখোয়সু পোইন্ট ৩ ফংদুনা লৈরিবনি। হায়রিবা জর্মনিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী সীজন লোইশিল্লকপদা মকোক থোংবা টিম মরিনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। স্পেন, ইটালি অমসুং ইংলেন্দগী লীগকী মকোক থোংবা মরিসু চেম্পিয়ন্স লীগকী ক্বালিফাই ওইবগী চৎনবী লৈরি।

# লা লিগাদা রিএল মাদ্রিদকী করিম বেঞ্জিমানা জিরোনাবু ৪-১ দা থোইখিবা মেচ অমদা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী)ঃ ফ্রান্স মচা করিম বেঞ্জিমানা লা লিগাগী মকোক থোংবা টিম অমা ওইরিবা রিএল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী শরুক য়াদুনা ঙরাং শান্নখিবা মেচ অমদা জিরোনাবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থীবা পীখিবা অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রে।

সীজন ২০১৮-১৯ গী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা রিএল মাদ্রিদ অমসুং জিরোনাগী টিম লম্বা তৌনরকপনি। জিরোনাগী মায়কৈদগী শান্নবগী হৌরকপদা বোল হেন্না পায়বা ঙম্বগী শরুক কয়া উখি। মদুগী মতেংনা মখোয়না পুশিল্লকপা বোল অমা ১৭ শুবা মিনিটতা টিম অদুগী শান্নরোয় বি গার্সিয়ানা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা রিএল মাদ্রিদপু মখোয়না মাঙজিল থারগা লৈখি। পাঞ্জল শোত্থখিবা রিএল মাদ্রিদকী টিমনা মখা তানা পাঞ্জল অদু য়াম্না থুনা হন্দোক্লবা হোৎনরকখি।

নীংশিংবা য়াই, মালেমগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনরিবা পোর্টুগল মচা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো চৎলিবা সীজন অসিদা রিএল মাদ্রিদতগী ইটালিগী সেরি এগী মরুওইবা টিম অমা ওইরিবা জুভেন্টসতা নৌনা শরুক য়াখি। রোনাল্ডো য়াওদবদগী রিএল মাদ্রিদকী পাঙ্গল হন্থবগী মমি তাখিদে। শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনিটতা রিএল মাদ্রিদনা চত্থরকপা এটেক অমদা জিরোনাগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী গোল এরিয়া মনুংদা ফুটবোল মশান্নগী চৎন-পথাপকী ৱাংমদা রিএল মাদ্রিদকী শান্নরোয়শিংদগী বোল মুন্নবা হোৎনরুবা মরম্না পেনাল্টি অমা পীখি। রিএল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী কেপ্টেন সর্জিও রামোসনা পেনাল্টি অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা অদুদা ইক্বেলাইজর অদু ফংদুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা লৈখি।




হাফ মতুংদা অহেনবা এটেক চত্থবা ঙমখিবা রিএল মাদ্রিদকী শান্নরোয়শিংনা বোল অদু জিরানাগী হাফতা নৈদুনা শান্নবা ঙমখি। অহানবা হাফকী পেনাল্টি ফংখিবা অদুগুম্না অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনিট ৭ খক শুরকপদা পেনাল্টি অমগা ফংখি। তাঞ্জা অদুনা রিএল মাদ্রিদতা শরুক য়ারিবা ফ্রান্স মচা করিম বেঞ্জিমানা কাওখি। মহাক্কী সোট অদুসু পাঞ্জল ওইদুনা জিরোনাবু ২-১ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

রিএল মাদ্রিদকী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা অহানবা হাফকী অঙনবা শরুক্তা চুংশিন্নদবা মানবা খরা য়াওখিবা অদু নাথৈদুনা থম্লম্লগা জিরোনাগী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়নবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি। ৫৯ শুবা মিনিটতা রিএল মাদ্রিদকী ফজবা এটেক অমদা ৱেলস মচা গেরেথ বেলনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩-১ দা স্কোর লাইন অদু অমুক লৈবা ঙমখি। মিনিট ২১ রোম রিএল মাদ্রিদকী এটেকশিং অদু মখা তানা চত্থরবসু পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদে। অদুবু শান্নবগী ৮০ শুবা মিনিটতা রিএল মাদ্রিদনা চত্থখিবা অতোপ্পা এটেক অমদা অনীশুবা হাফকী হৌরকপদা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা করিম বেঞ্জিমানা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লগা জিরোনাবু রিএল মাদ্রিদনা পাঞ্জল ৪-১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। লেমহৌরিবা মিনিট ১০ রোমগী মতম অদু জিরোনাগী শান্নরোয়শিং ফনা কন্না হোৎনরবসু অরেম্বা তাদুনা মখোয় চাওনা মায়থীখি।